ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
হুইয়েন লানপাউ
Refreshingly Reliable
The messenger of the masses

মণিপুর লৌমী লূপনা শীন্দুনা ফার্ম বিল অহুমগী মায়োক্তা ইরাবত ভবন ইম্ফালদা ৱাকৎ মীফম ফম্লবা মতুং বি টি রোদতা লৌমী খোঙচৎ চৎখিবা

TEST AGAINST FARM BILLS
14th Dec. 2020

লামায় ২

কৈথেল এক্সপ্রেস মণিপুরনা পব্লিস তৌরগা সুরেশ খুরাইজমনা ইবা *অহাঙবদি মশীং পাদে* হায়না মিংথোনবা ৱারীমচা লাইরিক অচম্বা থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা ফোঙখিবা

তেন্থা মখা লৈকায় য়ুথ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন্না চহীসিগী ক্লাস টেন অমসুং টুয়েল্ভ এগজামদা মায় পাক্লক্লবা অফবা মহৈরোয়শিংবু মনা পীদুনা তরাম্না ওক্লগা পুক্রিং থৌগৎখিবা

লামায় ৬

বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা লৌমীশিংগী য়াইফননবা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়া পায়খৎলি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবা

BJP
BHARATIYA JANATA PARTY
MANIPUR PRADESH

লামায় ৩

Vol. 44, Issue No. 258 লৈবাকপোকপা, পোইনুগী নোংমা পানবা অপূনবা লামায় মশীং ৮ HUEIYEN LANPAO, Tuesday, December 15, 2020, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

## গোবিন্দাসনা এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট ওইরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

বিষ্ণুপুর এ সীগী এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এম পি সী সী)গী অনৌবা প্রসিদেন্ট ওইরগনি।

ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস কম্মিটি (এ আই সী সী)গী জেনরেল সেক্রেটরি কে সী ভেনুগোপালনা থাদোরকখিবা চেরোল অমনা হায়, কোংগ্রেস প্রসিদেন্টনা গোবিন্দাস কোন্থৌজমবু খুদক্তগী মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ওইনা এপোইন্ট তৌরে। এম পি সী সীগী হান্না প্রসিদেন্ট ওইরম্বা এম ওকেন্দ্রোনা লৌরম্বা থৌদাংশিংবুসু পার্টি অসিনা পুক্নিং থৌগৎলি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

## বোম পোকখায়খ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

মশক খঙদবা মীওই খরনা ঙসি অয়ুক ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা নোংমৈবুং সেরাম লৈরক্তা লৈবা য়ূমদা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিন্দুনা পোকখায়হনখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ৪.১৫ রোম তাবা মতমদা নোংমৈবুং সেরাম লৈরক্তা লৈবা সেরাম শচিকুমার (৫৯) অপোকপা লৈখিদ্রবা সেরাম অঙৌবগী য়ুমদা থোকখিবনি। শচিকুমার চান্দেল দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা চকপী কারোংগী ফোরেষ্ট ওফিসতা রেঞ্জ ওফিসার ওইনা লৈবনি।

বোম অদু য়ুমগী মখা থংবা ৱাল মনুংদা তারগা পোকখায়বনি। বোম পোকখায়খিবা অদুনা শচিকুমারগী নৌনা শারিবা য়ুমগী ৱালদা নপ্পুনা পুরিবা পাইপলাইন কায়হনবগা লোয়ননা থোঙনাওগী গ্লাস খরসু কায়দুনা অমাঙ-অতা থোকখি। অদুবু মীদি অমত্ত অশোক-অপন য়াওখিদে হায়রি। থৌদোক থোকফম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্তকী এদিসনেল এস পি (ওপস) এম রোমি, এস দি পি ও সুরজ অমদি কমান্দো ও সী হেরোজিৎনা লুচিংবা কাঙবুগী টিম অমা লাক্তুনা য়েংশিনখি।

*...মখা লামায় ৩ কলম ৫*

**HL Poll**

Q: Pangeida leiba Forensic Science Laboratory asi matamga chunaba mawongda semgatnanaba leingakna mityeng changhanningbra ?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Manipurgi maru oiba turel singgi eshing motsinhandanaba leingakki mari leinaba authorityna matik chaba thabak paikhatli khanbra ?

Yes 9% No 91%

**অ ঈং-অশাগী পাউ**

খ্বাইদগী শাবা ২৮.৪৬ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৬.২৮ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৫৪
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩০

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩ দা

**অস! লোইরেহে!**

- কোভিদ টেষ্ট অদো নেগেটিভ ওইরক্লবদি ফনিদা মোই পাবুং।

[illegible]



- হায় অপঙবী নেগেটিভ ওইরক্লবদি শেল মাঙদৌরিবনি, পোজিটিভনা ফৎত্রা ?

[illegible]

# ইন্দিয়াদা কোভিদকী ভেক্সিন অথুবদা ফংলগনি, য়ু থক্লবদি হীদাক অসি কান্নরোইদৌরি

Vaccine COVID-19

ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ১৪ (এজেন্সি) :

মালেম শিনবা থুংনা পেন্দেমিক ওইরিবা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা কুমজা ২০২০ য়াম্না ৱাবা চহী অমা হায়বদু ওইরি। মালেমগী অতোপ্পা লৈবাকশিংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন টিকা থাবা হৌনখিবগুম লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগীসু কোরোনাগী ভেক্সিন অথুবা মতমদা ফংলগনি হায়রি।

গমলেয়া ইন্সটিট্যুটকী চীফ এলেকজেন্দর গিন্টসবর্গকী মতুংইন্না কোরোনাগী ভেক্সিন কাপ্পবা মতুংদা করিগুম্বা মীওই অদুনা য়ু থক্লবদি ভেক্সিন অদুগী ময়াই মাঙখিদুনা ভেক্সিন অসিগী কান্নবা করিমত্তা ফংবা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবগীদমক খ্বাইদগী অফবনি হায়না লৌনরিবা হেন্দ সেনিটাইজর অসি অলকোহোলগী চাং য়াম্না য়াওবা সেনিটাইজর অদুবুনি। লম্ অসিগী মতাংদা খঙহৈরবা মীওইশিংনা কোভিদ-১৯গী ভাইরসপু হাৎনবগীদমক অলকোহোলগী চাং ৱাংনা য়াওবা হেন্দ সেনিটাইজরবু অফবা খুৎলায় অমগুম শীজিন্নরম্মি। মরম অদুনা মালেম শীনবা থুংনা অলকোহোল শীজিন্নবগী চাং য়াম্না ৱাংখি। অদুবু কোভিদ-১৯গী হীদাক পুথোক্লবা মতুং অসিদা সাইন্টিষ্ট খরনা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন থারবসু য়ু থক্লবদি হীদাক অসিগী কান্নবা করিসু লৈরোই হায়বা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লরক্লি।

ইন্দিয়াদা ঙসিসু কোভিদ-১৯ ভেক্সিন লাকপা খৌরাংনা ঙাইনরি। হীদাক অসিগী ট্রায়েলগী লাষ্ট ষ্টেজদা য়ৌখ্রে। অদুবু লৈবাক খরদদি কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন শীজিন্নবসু হৌখ্রে। খ্বাইদগী ইহান হান্না মালেমগী ওইনা হীদাক-লাংথক পুথোকপদা খ্বাইদগী অচৌবা কম্পেনিশিংগী মরক্তা অমা ওইরিবা অমেরিকাগী ফাইজর কম্পনিনা পুথোকখিবা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন শীজিন্ননবগী অয়াবা বৃটেন, কনাদা, বহরিন অমসুং সাউদি অরাবিয়ানা অয়াবা পীখ্রে। বৃটেনদদি য়াম্লবা মীওই কয়াদা হীদাক অসি থাবা হৌখ্রে। মদুগী অফবা রিজল্ট লাকপসু উরে। ফাইজর কম্পনিগী খক নত্তনা অতোপ্পা কম্পনিশিংগীসু কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন মার্কেটতা অথুবা মতমদা লাকপা য়ানা লৈরে। অদুবু রুসিয়ানা পুথোকরক্লিবা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন 'স্পুটনিক-বি' হীদাক অসিগী মতাংদা অচৌবা থাজবা কয়া থম্লরি। অদুবু হীদাক অসি থাখ্রবা মতুং থা অনীগী মতুংদা হীদাক অসিগী মথৌ তৌবা হৌরক্কনি। মরম অদুনা হীদাক অসি কাপখ্রবা মতুংদা থা অনী শুদ্রিবা ফাওবদি চেকশিন্না লৈবগী তঙাইফদবা কয়া লৈ হায়নসু সাইন্টিষ্ট কয়ানা হায়রি।

মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা কোভিদ-১৯গী পুথোক্করিবা হীদাকশিং অসিগী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা ৱাফম কয়া অমসু লাক্লি। অদুবু তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা পুথোক্করক্লিবা হীদাকশিংগী লাষ্ট ট্রায়েল ষ্টেজদা অয়াম্বনা য়ৌনরকপা মরম্না অথুবা মতমদা চহী অমা হেন্না মালেম শিনবা থুংনা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা অশি-অনা কয়া থোকহন্দুনা লৈবাক কয়াগী ইকোনোমি অমদি

*...মখা লামায় ৩ কলম ৭*

# সৈত্যভমাবু ঈকায় খুম্নবা মাঙহল্লগা হাৎপগী মরালদা বিজু অমসুং জেমস কোর্টনা ফাদোক পীখ্রে

### থৌদাম জিবলবুনা কোর্টনা কেস অসিদগী একুইট তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

ঙসিদগীনা চহী ৭ হেনবগী মমাঙ কুমজা ২০১৩গী এপ্রিল ৩গী অয়ুক অঙনবদা ময়ুমদগী কৌথোক্তুনা থোকখিবদগী হঞ্জিল্লকখিদ্রবা মতুং নুমীৎ নীনি শুবা এপ্রিল ৫, ২০১৩গী নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা ইম্ফাল ইষ্টকী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা বাশিখোং ৱাংখৈ লৌমানবী কেনেলদা অশিবা হকচাং ওইনা ফংখিবা ককৱা লাইশ্রম সেলুংবা লৈকায়দগী মশাগী চহী ৩১ খক্তমক শুখিবী নিঙোম্বম সৈত্যভমা, অপোকপা এন তোম্বগী থৌদোক্কী মতাংদা লৌখৎখিবা কেসকী ৱায়েলগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর লাউথোক্তুনা চেন্নরিবা মীওই ৩গী মনুংদা বিজু অমসুং জেমস কোর্টনা ফাদোক পীরগা জিবলবুনা কেস অসিদগী একুইট তৌখ্রে।

ৱায়েল চথরকখিবা কেস অসিগী ৱারোইশিন লাউথোকপগী মতম কুইনা চঙখ্রবসু ঙসি উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা সেসন্স জজ (ইম্ফাল ইষ্ট) মাইবম মনোজকুমারনা মহাক্কী ওপন কোর্টতা লাউথোকখিবা ৱায়েলদা ফাদোক পীখ্রবা একুইজশিং অদুদি হৌজিক্কা ইরিলবুং কৈথেল মনাক্তা লৈরবা থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়দগী ক্ষেত্রিময়ুম বিজু মৈতৈ এলিয়স হোলেন্দ্রো (২৮), অপোকপা কে এস ঐচ ইবোচৌ অমসুং থম্বালখোং সাবল লৈকায়দগী তোইজম থেসস এলিয়স জেমস বোন এলিয়স অবোই (২৭), অপোকপা টি জুগিন্দ্রোনি। অদুগা কেস অসিদগী একুইট তৌরবা একুইজ অদুনা থৌদাম জিবল (২৭), অপোকপা লৈখিদ্রবা টি ঐচ থোইবা, ইরিলবুং মচাহলনি। কোর্টনা ফাদোক পীখ্রবা মীওই অনীসিগী মনুংদা বিজুদনা

*...মখা লামায় ৩ কলম ২*

# বির অমসুং বিরেননা মখোয়বু দিসক্বালিফাই তৌববু চেলেঞ্জ তৌরকখিবা কেসকী জজমেন্ট রিজর্ভ তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেম্বলী ইলেক্সনদা মায় পাক্লকখিবা এম এল এ ৬০গী মনুংদগী হৌখিবা জুন ১৯দা পাঙথোকখিবা মণিপুরগী রাজ্য সভাগী সিট ১গী মীখলগী মাঙওইননা জুন ১৮দা কনষ্টিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী টেন্থ সেদ্যুল্ডগী মখাদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীদা লিংলিবা ট্রাইব্যুনেলনা এম এল এ ওইবদগী দিসক্বালিফাই তৌখিবা মীওই মরিগী মনুংদা য়াওখিবা কুম্বী এ সীগী সনসম বির অমসুং লন্নাই এ সীগী ক্ষেত্রিময়ুম বিরেননা মখোয়বু দিসক্বালিফাই তৌবগী মায়োক্তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা কেসকী হিয়রিং লোইশিনখিবগা লোয়ননা মখোয় অনীমক্কী কেসশিংগী ৱায়েল রিজর্ভ তৌখ্রে।

স্পিকরগী ট্রাইব্যুনেলনা দিসক্বালিফাই তৌবগী মায়োক্তা এক্স-এম এল এ এস বিরনা ফাইল তৌরকখিবা পিটিসনশিং অদুনা রিট পিটিসন (সিভিল) ৩৩১ ওফ ২০২০, ৩৬২ ওফ ২০২০ অমসুং ৩৬৩ ওফ ২০২০ নি। এক্স-এম এল এ, কে এস ঐচ বিরেননা পিটিস্নর ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল রিট পিটিসনশিংনা দব্লিয় পি (সী) ৩৩২ ওফ ২০২০, ৩৬০ ওফ ২০২০ অমসুং ৩৬১ ওফ ২০২০নি।

পিটিস্নর অনীমক্কী পিটিসনশিং অসিগী রেস্পোন্দেন্টশিংদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলীগী স্পিকর, সেক্রেটরি অমসুং অতোপ্পা মীওইশিং য়াওরিবনি। কেসশিং অসি ঙসি জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চতা পুল্লপ লিষ্ট তৌখি। কোর্টনা মেট্টরশিং লৌখৎলকপদা পিটিস্নর

*...মখা লামায় ৩ কলম ৭*

# প্রোফেসর অমর য়ুম্নামবু এম য়ুগী ভি সী ইন-চার্জ ওইনা হাপখ্রে

### য়ুনিভর্সিটি সটদাউন তৌবগী খোঙজং চঙশিন্নবা তৌরম্বদু হন্দোক্লে : মুসু

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেল্লর (ভি সী)গী ফম হাঙদুনা লৈরক্পা নুমীৎ ১৩নিগী মতুংদা ঙসি প্রোফেসর অমর য়ুম্নামবু য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভি সী ইন-চার্জ ওইনা হাপখ্রে।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রেজিষ্ট্রার প্রোফেসর দব্লিয়ু চান্দবাবুনা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমনা হায়, এম য়ুগী এদমিনিষ্ট্রেটর ওইরম্না জর্নেল সিংহনা হৌখিবা নবেম্বর ৩০দগী থবক্তগী পোথাখ্রবা মতুং ভাইস চান্সেল্লরগী ফম অসি হাঙদুনা লৈরকখিবনি। মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেসন, দিপার্টমেন্ট ওফ হায়র এদ্যুকেসন, গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা হৌখিবা দিসেম্বর ১১দা অইবা চেরোল অমা থারক্তুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি এক্ট ২০০৫গী ষ্টেট্যুট ২(৬)কী মতুংইন্না হাঙদুনা লৈরিবা ভি সীগী ফম অসি মেনশিন্নবা মতিক চাবা থবক লৌখৎননবা খঙহল্লকখি।

*...মখা লামায় ৩ কলম ৫*

# রেষ্ট্রিক্তেদ জোনশিংদা কোর্টকী ওর্দর থুগায়ব্রা হায়বদু য়েংশিন্নবা হায় কোর্টনা লৈঙাক্তা দিরেক্সন পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

থৌবাল ৱাংমতাবদা হেদ ওফিস ওইবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ক্লব অমসুং ওর্গনাইজেসন ৩৫গী অপুনবা বোদি অমা ওইরিবা থৌবাল রিভর কঞ্জার্ভেসন কম্মিটিগী চেয়রমেন এ কে বিশ্বজিৎনা মমাঙগী কুমজা ২০১৯গী জন্যুৱারী ২৪দা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিসতা এদ্রেস তৌদুনা পীশিল্লকখিবা ৱাকৎ অমদগী কোর্ট অসিনা সূও মোটুদা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) ওইনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎলগা ৱায়েল চথরক্লিবা কেসকা মরী লৈননা পীখিবা ওর্দরশিং রেষ্ট্রিক্তেদ জোনশিংদা থুগায়বা য়াওরা হায়বগী মতাংদা কোর্টনা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওফিসলশিংদা পুন্না ইন্সপেক্সন চথনবা দিরেক্সন পীখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা পি আই এল অদুগী নম্বর- ৫ ওফ ২০২০ নি। পি আই এল অসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী

*...মখা লামায় ৩ কলম ২*

# লৈখিদবা মশীং ৩২৪ শুখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ লেপ্পুনা শন্দোরকপগা লোয়ননা পোজিটিভ ওইদুনা লৈখিদবা মশীং ২ হেনগৎলক্তুনা ৩২৪ শুখ্রে।

কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমদগী থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই ৫৩ অমসুং সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্স (সী এ পি এফ)কী পর্সনেল ১ পুন্না মীওই ৫৪ নৌনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনরে। পোজিটিভ কেসশিং অসি জেনিমসতা ৫, রিমসতা ৩, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ২, মাদরস ক্যেরদা ১, সী এম সীদা ২, ইসেন্ট দাইগ্নোষ্টিক্সতা ২, শিজ হোস্পিটালদা ৭, জীবন হোস্পিটালদা ১, রাজ মেদিসিটিদা ৫, থৌবালদা ১, চুড়াচান্দপুরদা ১, উখ্রুলদা ৩, তমেংলোংদা ৭, তেংনৌপলদা ১, চান্দেলদা ২ অমসুং ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্সতা ১১ থেংনখিবনি।

জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ১৭, ইম্ফাল ইষ্টতগী ১৪, থৌবালদগী ৫, বিষ্ণুপুরদগী ১, ককচিংদগী ১, উখ্রুলদগী ৪, তমেংলোংদগী ৭, চান্দেলদগী ২ অমসুং চুড়াচান্দপুরদগী ২ য়াওরি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী পোজিটিভ ওইরবা মীওই খুদিংমক

*...মখা লামায় ৩ কলম ৭*

## এন আই এনা সলাইগী মায়োক্তা তৌরকপা আপিলগী ৱায়েল চথখিগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস):

নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ), গুৱাহাতিনা লৌখৎপা কেস অমগা মরী লৈননা থিংজিন্দুনা থম্লকপা সলাই গ্রুপ ওফ কম্পেনিজ অমসুং স্মার্ট সোসাইটিগী ওফিসশিং হাংদোকপা অমদি ফ্রিজ তৌদুনা থম্লকপা একাউন্টশিং শীজিন্নবদা অয়াবা পীখিবা স্পেসল জজ (এন আই এ), মণিপুরগী মমাঙ থাগী ২গী ওর্দরবু শিংনরদুনা ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী অসিনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা ক্রিমিনেল আপিলশিংগী মখা তাবা ৱায়েল চথনবা কোর্টনা দিরেক্সন পীখ্রে।

স্পেসল জজ (এন আই এ), মণিপুরগী কোর্টতা সলাই অমসুং স্মার্ট

*...মখা লামায় ৩ কলম ৭*

## খঙহঞ্জবা

*কোরোনাগী চৈথেং ফংলবা চৎলিবা চহী অসিনা লোইশিল্লকপসিদা হুইয়েন লানপাউবু পাবিরিবা নুংশিজরবা রিদরশিংগীদমক্তা খুদোল ওইনা বেঙ্গালি ময়েক অমসুং মীতৈ ময়েক্তা ফোঙবা পাউচে অনী অসি পুন্না মীয়ামদা খুৎশিন্নজরি। পাউচেগী মমলদা করিসু অহোংবা লৈজরোই। ইকাইখুম্নজরিবা হুইয়েন লানপাউবু পাবিরিবা রিদরশিংনা পাউচে অনী অসি করিগুম্বা পুন্না ফংবিদ্রবদি মখাগী মোবাইল নম্বর ৮৭৩০৮২২২৫৬ অসিদা কমপ্লেন তৌবিরকউ। কমপ্লেন হেক ফংবগা অথুবা মতমদা অদোমগী য়ুমদা বেঙ্গালি ময়েক অমসুং মীতৈ ময়েক্কী পাউচে অনী অসি য়ৌহল্লক্লবা হুইয়েন লানপাউগী টিম্না হোৎনজগনি।*

[illegible]

**URGENTLY WANTED**
**IMPHAL DIAGNOSTIC CENTRE (IDC)**

| Sl. No. | Name of Post | Qualification | Post | Experience | Salary |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Office In Charge | Graduate with good communication skills. | 1 | 5 years or above in related field. | Negotiable |
| 2 | Marketing Manager | Graduate Preferred MR with good communication skills. | 1 | 3 years or above in related field | Negotiable |
| 3 | Marketing Executive | 10+2 & above Preferred graduate with good communication skills. | 10 | At least one year or above in related field | Negotiable |
| 4 | Computer Operator | 10+2 or above with relevant cert. | 1 | 2 years or above & must be good at Pagemaker and photoshop. | Negotiable |
| 6 | Senior Lab Technician | MLT or related documents | 3 | 5 years exp. in related trade | Negotiable |

Office Adress:Palace Compound, Govindajee Road, Near Castle Hotel, Imphal East, Contact no. 8118937765

HL-B/6522/12/11-11/12

হৌজরে ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯀꯦꯕ ꯁꯔꯚꯤꯁ হৌজরে

নিংথিনা সেনিতাইজ তৌরবা
Manipur Cab Service হৌজরে।
মখাগী কন্টেক্ট নম্বর অসিদা বুক তৌবিয়ু।

Service starts 7:00 a.m.
Service upto 5:00 p.m.

Dial:
18003453838
6909967574 / 8258070746
6909608909 / 9402267525

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯀꯦꯕ ꯁꯔꯚꯤꯁ
Manipur Cab Services
2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal

Powered by:
Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.

HL-B/6509/9th Dec. to 6th Jan.



RAM JANMBHOOMI MANDIR RE ESTABLISHMENT OF NATIONAL SELF RESPECT

Email : contact@srjbtkshetra.org
Website : www.srjbtkshetra.org

Camp office :
Ram Kachehri Ashram,
Ramkot,
Ayodhya-224123 (UP)

Help Line No.
08009522111, 08009611999

Kindly contribute Voluntarily for the Renovation and Reconstruction of 'Shri Ram Janmbhoomi Temple' at Ayodhya

- Your contributions are to be done in favour of the trust settled by GOI "Shri Ram Janmbhoomi Teerth Kshetra" (Regd. No-76/1683 PAN - AAZTS6197B)
- Contributions can be made through : NEFT/RTGS/IMPS/ Quick Pay/DD/Cheque/Cash deposit to any these .

State Bank of India, Naya Ghat, Ayodhya
Saving Account No. 39161495808
Current Account No. 39161498809
IFSC Code SBIN0002510

Punjab National Bank, Ayodhya
Saving Account No.-3865000100139999
IFSC Code PUNB0386500

Bank of Baroda, Naya Ghat, Ayodhya
Saving Account No. 05820100021211
IFSC Code BARB0AYODHY

Online donations through website https://srjbtkshetra.org

- Contributions can also be given to our Karyakartas / Voluntary workers visiting your home.
- The Central Government has notified **"SHRI RAM JANMBHOOMI TEERTH KSHETRA"** (PAN :- AAZTS6197B) to be **place of historic importance and a place of public worship of renown** vide Notification No. 24/2020/F. No. 176/8/2017/ITA-I
- So voluntary Contribution to the above trust is **50% exempted from Income Tax** under Section 80G(2)(b) of the IT Act 1961.

HL-B/6621/15

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫